# অম্মিককী অনৌবা মায়ওন অমা *কৌব্রু মশাইকোন*

*- নানি -*








মালেমগী ওইনা মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট কয়ানা মখোয়গী আর্টকী মায়কৈদগী খজিক্তং শংলকপদা খনবা ৱাখলসি মমা লৈবাক্কীনি। তুংলমচৎকীনি। মওং মরীন নাইদ্রবা পাম্বৈ লৈজদ্রবা কয়াগী পুন্সিবু মতেং পাংবা, মখোয়গী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বা অসি অয়াম্বা মতমদা খন্দুনা লৈগল্লি। মসি মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন কয়া অদু মীদিয়াদা ফোঙদোকপা অমদি মখোয়গী থবকশিংগী মতাংদা মীয়ামদা উৎলকপদা খঙই। ইন্দিয়াদা মসিগী ৱাখল্লোন চেনবা মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট কয়া অমনা মখোয়-মখোয়গী মরন্নাইগী ওইবা অঙম্বা থাক্তা থবক তৌনরি। চেরিটি কয়া তৌদুনা মীয়ামগী, লৈবাক্কী অমদি অচৌবা ইস্যু কয়াদা মখোয়না চোঙথোরক্তুনা মীয়ামদা এৱ্যের্নেস পীবা কন্না চথে। মণিপুরদদি মসিগী থাক অসি খরা নেম্না লৈরকই। কলম অসিমক্তদা ৱারেংজরিবগী মায়কৈদগী হন্দক পেন্দমিক অমা ওইরিবা অসিগী মতাংদা ফনা নিংথিনা কাঙথোকখ্রে। অদুবু মদুগী অফবা থৌদাংদি কয়া উবা ফংখিদে। অদুবু হৌজিক্তি মদুগী মশক অদু খরা হোংদোক্তুনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী মায়কৈদা মায় লৈশিল্লকপা উরে। মসিমক্তি য়াম্না নুংঙাইবা অমদি অতৈ পূম্নমক্লসু ফিদমনীংঙাই ওইবা থৌরাং অমনি হায়না লৌই।

হৌখিবা দিসেম্বর ৮, ২০২০দা অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপ (অম্মিক) না থৌবু ওইদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমনা সপোর্ট তৌরগা লৈবাক অসিগী তুংগী ওইনা য়াম্না কান্নরগদবা, লৈবাক মীয়ামদা চপ চানা পাউজেল পীবা ঙম্বা থৌশিল অমা পাঙথোকখ্রে। কৌব্রু মসাইকোন হায়না মীংথোনবা ঈশৈ অমা পুথোক্তুনা মদু মীয়ামদা লান্থোকপগী থৌরমগা লোয়ননা “সেভ অৱার রিভরস, সেভ অৱার সোল” হায়বা থিমদা য়ূম্ফম ওইরগা নম্বুল তুরেল কন্নবগী মীয়ামদা পীবা পাউজেল ওইনা অম্মিককী আর্টিষ্টশিংনা থোরক্তুনা মহারানি থোংদগী কৈশামথোং ফাওবা হি হোন্দুনা এৱ্যের্নেস কেম্প্যেন অমা চৎতুনা মীয়ামদা পাউজেল পীখ্রে। তশেংনমকসু তুরেলগা মীওইবগী পুন্সি অমদি খুন্নাইগা অচৌবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অমা লৈনৈ। তুরেল লৈত্রবদি মীওইবনা হিংবা ঙমদে। মরিপুরদদি মহৌশাদগী হৌনা নোংগী ঈশিংদা তাংজরগা হিংদুনা লাকই। চাবা-থকপখক্কী ৱা নত্তনা লৌউ-শিংউগী লম্দসু ঈশিং হায়বসি য়াম্না মরু ওই। হায়রিবশিং অসি মণিপুরদদি তুরেলদগী ঈশিং চিংখৎলগা মদু চুমথোক্লগা মীয়ামদা থক্লবা-চানবা অমদি অতৈ হীরম কয়াদা শীজিন্ননবা পীরিবনি। ঐখোয়না করিসু খন্দনা তুরেল খোংনুংদা অমোৎ-অকায় লংথবা মদুনা ওইহল্লক্কদবা খুদোংথীবা কয়া অদুগী মরমদদি করিসু লুনা খন্নরুদে। মশা মশা কোম্ন বা ময়ূমদগী অমোৎ অকায় কয়া ময়োম-ময়োম পুথোরক্লগা তুরেলদা থাদবগী হৈনবী অমা লৈরি। মসি ঐখোয় খুদক্তগী লেপকদবনি। ঙসি তুরেলদা ঐনা থাদখিবা অমোৎপা অমদি ফত্তবা কয়া অদুনা তুংদা হৌরক্কদৌরিবা অঙাংশিংগী পুন্সিদা শোয়দনা খুদোংথীবা থোকহনগনি। ঐখোয়গী তুংগী লাইবক্তি হৌরক্লিবা নহাশিং অসিনা লেপকদৌরিবনি। হৌরক্কদৌরিবা নহাশিংবু মশা-মউ ফনা অমদি তিঞ্জং কায়জংদনা থম্বীবা হায়বসি ঐখোয়গী তৌদবা য়াদবা ইথৌনি।

মণিপুরদা কা হেন্না অচৌবা তুরেল মশীং য়াম্না লৈজদে। লৈরিবা খরা অসিগী ইতিনফমনি লোক্তাক। পিল্লবা তুরেলগী ঈচেলশিং অসি তরু-তনাননা থম্বা হায়বসি হৌজিক্কী মীরোল অসিগী য়াম্না তঙাইফদবা অমনি। মসিগী মনুংদা ইম্ফাল সিটি ময়ায় চবুক ফাওনা চেল্লিবা অচৎ-অওকশিংগী মীৎয়েংফম ওইরিবা নম্বুল তুরেলনা অমোৎ-অকায় মকোকথক্তা পুদুনা ৱানা খাঙলকপা ফনা কুইরক্লবনি। তোৰ্ব্বান্দা তারিবশিং অমদি কৈথেলদগী থাদরকপা ফত্ত-হৌদি, অপূম অশা কয়া অদুনা নমথী-হানৈ চেন্দুনা য়েংবদা হঙ্গৌইবা পোকনা মরাইবক থীবা তুরেল অমা ওইনা লৈরকখি। মতম অমা, মণিপুরনা লম্বী থোং নিংথিনা শেমগৎ-শাগৎত্রিঙৈ, ত্রান্সপোর্টেসনগী খুদোংচাবা লৈত্রিঙৈ মতমদগী হৌনা ইম্ফাল, নম্বুল অমদি ইরিল তুরেল অসি লল্লোন ইতিক তৌবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা ঈশিংগী লম্বী ওইনা লৈরম্মী। হৌজিকসু হিদিঙ্গা লল্লোনবা হায়দুনা অহল-লমনশিংনা হায়নরি। মণিপুরগী থৱায় ওইনা লৈরম্বা তুরেলশিংগী ফীভম ঙসিদি অঙকপা ফংনা শোকচিল্লে। মসিবু মতম চানা কলহৌবা হায়বা অসি মীরোল অসিগীদি য়াম্না মরু ওইরিবনি। হীরম অসোমদা থওইনা খন্নরুদ্রবসু, মীপূম খুদিংমক খঙনা-খঙনা খঙশিন্নদনা ঙাইহাক্কী ওইবা নুংঙাইবা থিবদা তুরেলশিং অসিবু মোৎশিনবিরিবা অসি খুদক্তা লেপ্পলসি হায়বা অমদি ঐখোয়গী তুংলমচৎকী ওইবা মীৎয়েং থমদুনা তৌফম থোকপা কয়াশিং অম্মিকনা অমদি মসিগা শাগোন্নরিবা আর্টিষ্টশিংনা উরকপা হায়বসি মমল য়াম্না য়াম্মী।

পূম্নমকশিং অসিগী ৱাখল্লোন কয়া অদু পুদুনা অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলূপকী মমিং লৈরবা শৈশকপশিং, ওকেষ্ট্রেল গ্রুপ কয়াগী ইন্সত্রুমেন্টেলিষ্টশিংনা থোরক্তুনা মীয়ামদা পূন্না ৱাখল তামিন্নবগী থৌরাং অমা লৌখৎলকপা হায়বসি য়াম্না শিংথানীংঙাই ওই। কৌব্রু মসাইকোন হায়না মীংথোনবা ঈশৈ অদু রিলিজ তৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা দিগনিটরিশিংনা থৌরাং অসিবু থাগৎলদুনা মীয়ামদসু পূক্নিংগী ওইবা অকনবা ইথিল পীবা ঙম্বা পাউজেল কয়া অমা পীনখি। মহারানি থোং মথক্তা চম্না মচু তানা শিনখিবা থৌরম অদুদা, অম্মিককী প্রসিদেন্ট শগোলশেম টিজেন্দ্রনা থৌরম মপু ওইখি। টুরিজম, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ওইনাম লুখোইনা চীফ গেষ্ট, এম দি অশবউদ্দিন, এম এল এ জিরিবাম কন্সটিট্যুএন্সি, দল্লিয়ু ইবোহল, দিরেক্টর টুরিজম দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। মমিং লৈরবা শৈশকপা এস সনাতোন শর্ম্মনা শুর শেল্লগা এম ধনঞ্জয়না ম্যুজিক কম্পোজর ওইরিবা ঈশৈ অসিগী শৈরেংবনা তোনদোননি।

অম্মিককী শৈশকপা শৈশকপী কয়ানা শক্লিবা ঈশৈ অসিনা অতাবশিংদা করিগুম্বা খরদি শোয়দনা ফাওহনবা ঙম্লগনি হায়বসি চেৎনা থাজৈ অমদি তুরেল কনসি হায়বা কেম্প্যেন অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীয়াম্নসু ঐখোয়গী তুরেলসি ঐখোয়গী থৱায়নি হায়বা ৱাখল অসি পোকপীনবা হীরম শোমদা পূক্নিং চংহন্নীংই। অম্মিকনা অসিগুম্বা য়াম্না শিংথানীংঙাই ওইবা প্রোজেক্ট অমা লৌখৎতুনা মীয়ামদা লান্থোরকপা অসি মমল য়াম্না য়াম্মী। মমাঙদসু অম্মিকনা কাঙলূপ কয়ানা খুন্দা লৈতারিবা ইরমদম অসিগী ওইবা কলচরেল ইন্টিগ্রিটি অমা শাগৎনবা ঈশৈ কয়া পুথোকখ্রে। লৈবাক নীংবদা য়ূম্ফম ওইবা ঈশৈ কয়া পুথোক্তুনা মীয়ামদা তোইনা তাহনখ্রে। মসিগী অচৌবা কান্নবা পূক্নিং ঈথিল অদুদি তাবিরিবা পূম্নমক্কী থম্মোয়দা য়েক্তুনা লৈরি। ঈশৈ অমগী মপাঙ্গল কয়া য়াম্না কনবগে হায়বা অদু অম্মিকনা থিরকপগী খোঙচৎ অমনি হায়না লৌবা য়াই। মমাঙ মমাঙদা অসিগুম্বা প্রোজেক্ট অমদি থৌরাং কয়া অসি পাক্লা তৌরমদে। অদুবু হৌজিক থৌ পুরিবা টিম অসিগী মতম অসিদা য়াম্না ফিদম্নিংঙাই ওইবা হীরম কয়াদা মায় ওনশিন্দুনা মখল কয়াগী ওইবা ঈশৈ শৈদা কয়া পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩।১২।২০২০ইং, নোংমাইজিং;
হয়াঙ্গৈগী ২৯নি পানবা।

**মেষ:** লন চঙবা, মীয়াম্না য়াবা অমদি ইমুং-মনুং পূন্না পাংবা থবক্লা হেন্না কান্নবা নুমীৎনি। হন্থবা লোয়নগনু অমদি অনম তানগনু। ললোন ইতিক মাঙগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মরী খরা ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ / চিনি অঙাংবা।

**বৃষ:** নীংজবা থুংগনি, শেল ফংগনি, অফবা মফম ফংগনি অমদি অনৌবা অশা লাক্কনি। অদুবু হন্থবা লোয়নরবা অমদি পোরম য়াৎপা হৈত্রদি চোপ্পদি শোইদে।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবা ফংই-নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অশংবা/কিসমিস।

**মিথুন:** মীচং হেনগৎকনি, অরং-অরাক লৌশিনবা য়াগনি, অনা-অয়েক লৈরল্লসু কোকচগনি। মীঙোন্দা লৈখিবা শেল ফংবা য়াই। অফা অপুনগী লম্দদি পাংদে।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**কর্কট:** হেন্না অশা চাওবদি মতম মাঙদুনা তোক্কনি। মীয়ামগী মতেং, শেল-থুম অমদি অনৌবা মরুপ-মপাং ফংগদবা নুমীৎনি। লম চৎপা কান্নবা ফংগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা থোইনা চাল্লি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙৌবা।

**সিংহ:** হকচাং নুংঙাইবা ৱাৎলি অমদি পাইরক্কী লৌশিং শোল্লি অমদি মরুপ-মপাংনা তাথিবা লৈ। শাগৈ অমদি নঙগী ওইবা মী নত্তনা লোয়নদবা ফগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** পূক্নিং ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**কন্যা :** নীংবা থুংগনি, পন্দুনা লৈখিবা শেল-থুম ফংগনি অমদি হকচাং নুংঙাইগনি। ঙাঙ-শকপা মীনা তানিংগনি। অদবু য়েক্লবনা য়েংশিনবা লেপ্পে কাউগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** শাওনগনি-ফিংগনু।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**তুলা:** লাংতক্লবা ফাথবা, মীৱা লৌদবা, ঐনা মহেল্লে খন্দবা অমদি অতোনবা লোয়নদবনা য়াইফগদবা নুমীৎনি। নত্রদি মাঙবতনা থনগদবা নুমীৎনি-কাউগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মতম মাঙগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ/চিনি অঙাংবা।

**বৃশ্চিক:** হরাওবা নুংঙাইবা অমদি নথক থোংবনা চানবীগদবা নুমীৎনি। ঙক কল্লদি মুক্লবা অমদি খৎনবা লৈগনি। অরোন-অথুপ কাংথোকপা য়াদে।
**লৈশা পাখংশিংগী :** লাইবক ফগনি।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**ধনু:** শাওনবা লৈরবসু ওইজবদি ফংগনি, অফবা থবক পাংবগী নুংঙাইবা অমদি মীনা থাগৎপীবগী হরাওবা লৈগনি। চরাংনরবদি চাদিং হেনগনি, কাইনগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** অশাওবা ফাথৌ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ অঙাংবা।

**মকর:** ঙসিসু লৌশিং থোকপা ৱাৎলি অমদি য়েক্লবগী মরমদা মাইথিগনি-য়াওরুনু। য়েক্লবদি লাকশিনগনি অমদি ৱানোম-থৌনোম কান্নগনি। মীচং হেনগৎলি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** ৱাখল নুংঙাই।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ নাপু/কিসমিস।

**কুম্বা:** মীপাইবা কোকচৈ, ৱাখল থোক্কনি অমদি ওজা-গুরুনা চানবীগনি। মরৌ লৈবা মীনা ফত্তনা শন্দোকপীগনি অদুনা শকখঙদবা মীদা থাজবা থমগনু।
**লৈশা পাখংশিংগী :** মরী ফৈ।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ হিগোক।

**মিন:** শক-চু থোকপা ৱাৎপা, পাইরক্কী লৌশিং শোনবা অমদি নচা-ননাই ময়েং তাবা য়াবা লৈ। মীয়াম্না য়াবা থবক পাংলদি মীচং মরাং কাইগনি, নুংঙাইগনি।
**লৈশা পাখংশিংগী :** নুংশিবনা চানবী।
**থৌনি পোৎলম :** লৈ / চিনি অঙাংবা।

**থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।**




ওজা : তোম্বা অফাওবা সাইন্টিষ্ট অমগী মমিং হায়য়ু?
তোম্বা : আলিয়া ভট।
ওজা : মসিরা নোইনা তল্লিসে হায়রদুনা চৈনা ফুগে তৌই।
মদুদা তোম্বগী নাকলদা ফল্লিবা মমান্নবা অদুনা হায়রকই। ওজা তোম্বসে মরৈ তৎপনি। মানা হায়রিসে আলিয়া ভট হায়বা নত্তে, অফাওবা সাইন্টিষ্ট আর্য়ভট হায়বনি। তোম্বগী মমান্নবা অদু চহী অদুদা বেষ্ট ফ্রেন্দশিপ ওফ দ য়রগী টাইটল ফংখি.... !

---

ইঞ্জিনিয়রগী ষ্টুদেন্ট: সর, ঐখোয়না কোলেজদা অনৌবা পোৎশক অমা শারে...! মদুগী মতেংনা ফল্লাংগী মপান্দা অমদি মনুংদা করি লৈবগে হায়বদু ময়েক শেংনা উবা ঙম্লে।
ওজা : হরাউরদুনা হায়রকই- ভেরি গুদ ... ! নখোয়না শারিবা পোৎশক অদু করিনো ঐঙোন্দা য়েংহল্লু।
ষ্টুদেন্ট : ফল্লাং হোগায়দুনা অহোবা মখুল অমা শেম্বনি...!

---

স্কুলগী ওজা অমনা ননাউদা হংই -
ননাউ নঙ হয়েং চাওরগা করি ওইগনি ?
ননাউ : মেদাম ঐনা হয়েং চাওরগা সী এম ওইগনি, সিটি পূম্নমক্তা ঐগী বিজিনেস থমগনি, ফ্লাইটতা তোংদুনা চৎকনি, মতম পূম্নমক্তা ফাইভ ষ্টার হোটেলদা লৈগনি, মীনাই-মিশননা সেবা তৌদুনা নুংঙাইনা লৈগনি, খ্বাইদগী তাংবা কার তোংগনি, ঐগী নাক্তা খ্বাইদগী....
ওজা : ননাউ য়ারে-য়ারে ফম্মু। ফরে কা অসিদা লৈরিবা নখোয়না ৱাহং অসিগী পাউখুম ননাউদৌনা শাংনা খুমগনু তেন্না খুমগদবনি। ওকে, মেম্মা নঙদি হয়েং চাউরগা করি ওইগে খল্লি?
মেম্মা : ননাউগী নুপী ....!

---

ওজা : ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী হান্না ফোরেন লৈবাক্তা চৎপা নুপী অদু কনানো?
তোনাউ : সীতানি মেদাম, মহাক্লা ইহান হান্না শ্রিলঙ্কাদা চৎখি...!

---

ওজা : চাওতোন, মোরেল অমদি ৱাহন্থোক লৈবা য়াম্না তেনবা ৱারী মচা অমা লিয়ু।
চাওতোন : মরুপ অমদা ঐনা ফোন তৌই মহাক তুমদুনা লৈ....। মানা অমুক ফোন তৌরকই ঐ অমুক তুমদুনা লৈ...।
মোরেল - ‘মানা তৌবনা মানা ফংই’

---

ওজা : স্কুলগী দিফিনিসন পিয়ু। স্কুল হায়বসি করিনো নাউবা?
নাউবা : স্কুল হায়বা মফম অসিদা ঐগী বাবাদগী শেল লৌথোকপা অমদি ঐখোয়বু ফুবিবা মফম অমনি...!

---

ওজানা মহৈরোয় অমদা হংই : পোইম অমদি এসেগা করি খেন্নবগে?
পিক্তু : নুংশিবা মীশক অমনা হায়রকপা ৱাহৈ অমত্তং ওইরবসু মদু শৈরেংনি। অদুগা লোয়নবী নুপীগী ঙাঙথোরকপা ৱাহৈনা এসে অমগা পাঙ্খক ওই।
ওজা অদু পাউখুম অদু তারগা মমীৎতগী পী তারকই। ওজা অদুনা পিক্তুবু ক্লাস অদুগী মোনিটর ওইহনখি...!

☞ পীরিবা ৱাট্‌সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ অসিদা স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা মশানা য়েকচবা দ্রোইং, শৈরেং অমসুং জোক্স থাবিরকউ। থাবিরকপশিং অদুদগী খ্বাইদগী ফজবশিং খনগৎলগা ফোঙজগনি। থাবিরকপদা মীং, লৈফম অমদি ক্লাস য়াওহনবীরকউ।



Title : Archery
By : Langlenhanbam Shenary Singh
Class : V Sec : A     Roll No. 58
School : Paree Imom Sindam Sang



Title : Jasmine
By : Preety
Class : V Sec : B     Roll No. 109
School : PISS



Title : Cinderella
By : Chirom Dericka Devi
Class : V Sec :     Roll No. 33
School : Sunrise Public School



Title : A Lady
By : Neroda Huidrom
Class : VSec : Green     Roll No.
School : Khuman Maheikol



Title : A Bird and A Beautiful Flower
By : B.S. Adiba Mehdish-Al-Maqbool
Class : II Sec : B     Roll No. 14
School : Standard Robarth Higher Secondary School



Title : Scenery
By : Y Md. Zayed Ahamed
Class : III Sec : B     Roll No. 28
School :



Title : Scenery
By : O. Sillky
Class :     Sec : B     Roll No. 25
School :



Title : Shakti
By : Loijinganbi Chanu
Class : II Sec : A     Roll No.40
School : Nirmalabas School



Title : A Cute Puppy and Bones
By : Thengujam Chenny
Class : VIISec :     Roll No. 7
School : Jawahar Navodaya Vidyalaya, Khumbong